কোভিদ ভেক্সিন

লামায় ১গী মখা... কছারদা লৈবা অলিপুর হোস্পিটালদা অমুক পুদুনা লায়েংখি। অদুবু ফীভম ফগৎলক্তুবদগী সিলচরগী ভেল্লি হোস্পিটালদা অমুক থা অসিগী ৪দগী লায়েংলক্লবা মতুং ঙরাং সিলচর মেদিকেল হোস্পিটালদা অমুক পুবদা লন্বীদা লৈখিদবনি।

লৈখিদ্রবী নুপী অসি কোভিদ ভেক্সিন কাপ্লুবনা মরম ওইরগা লৈখিদব্রা নৎত্রগা মশাগী অনাবনা মরম ওইরগা লৈখিদব্রা হায়বদু মরী লৈনবা ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী চপ চানা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ কন্মেন কন্ত্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা যূম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৯২৯১শুরে। ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ২৮৮৯০ য়ৌরে। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৬৩নি অদুগা কেস ২৮না এক্টিভ ওইরি হায়রি।

রেল্লি লমথাখ্রে

লামায় ১গী মখা... মীয়াম্না মপূং ফানা শৌগৎলকপা মরম্না দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজং মায় পাক্লে হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পোপি পান্বী থাবগী থৌওং থিংনবা অমসুং দ্রগকী চৈথেং লাকশিন্নবা মীয়াম্না অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। খুন্নাইদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না পীরক্লিবা চৈথেং মপূং ফানা কোকহন্নবা হোৎনবদা মীপূম খূদিংমক অমত্তা ওইনা খূৎশম্নবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মালেমগী নুপীশিংগী...

লামায় ১গী মখা... মায়কৈ অমরোমদা হুমদুনা পুখিবগী মমি চাউনা তারক্লি। মসিমক খুন্নাই অসিগী অচৌবা মাঙজবা অমনি।

মালেম পূম্বদা হোংলক্লিবা লিবরেলাইজেসনগী অহোংবশিং অসিনা খুন্নাই অসিগী নুপীশিংদা অমুক্কা হেন্না শাথীবা চৈথেং পীরি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, তাল্লক অসিদা ফেমিনিষ্টনি হায়জবা নুপী ওইবী খরনা মশাগী নীংতম্বা খরা ফংনবগীদমক ফেমিনিষ্টকী ৱাহন্থোক লান্না পুদুনা নুপী কয়া লান্না লমজিংনবা হোৎনরকপা অসিদা লূপ অসিনা য়েংদুনা লৈথোক্লোই। হৌজিক খুন্নাই অসিদা মথৌ তারিবদি মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক প্রোলেটরিয়ন ফেমিনিজমগী ৱাখল্লোন ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহনবদুনা অশেংবা ফেমিনিজমগী ঈহৌ অমা শাগৎপা অদুনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	87.177845
US Dollar	73.158102
British Pound	101.224541
Australian Dollar	56.231557
Chinese Yuan Renminbi	11.260740
Japanese Yen	0.675199
Malaysian Ringgit	17.954110
Singapore Dollar	54.497899
South Korean Won	0.064834
Saudi Arabian Riyal	19.508827
Thai Baht	2.395054

GAS NEWS

POROMPAT INDANE GAS/ POROMPAT:
Booking up to : 28/01/21
Valid from : 15/01/21
Queries : 9366184547
Time 08: am to 10:00 am
M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no 100 A&B of 29/01/2021
Valid from :19/01/21
Time 7.30 to 11am
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto14.2kg-19/02/2021
Valid from-21/01/2021
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO : 06/01/21
Valid from : 05/01/21
Time: 11am to 2pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
KHUMBONG INDANE
Booking upto : 25-12-20
Valid from :15-12-20
Office no.9774068549
Home delivery contact no. 7005013837
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30am to 10.30am
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 08/02/2021
BOOKING UPTO : 16/02/2021
BOOKING AND ENQUIRY
ONLY: 03852444677
TIMING: 8:00 AM to 12:00 PM
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 noon
BOOKING : 05.01.21
VALID : 28.12.2021
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156, 7630902992, 7085198900
ONLY FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 8787630773, 9089370369
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনবদা গোর্খাশিংসু মরু ওইবা থৌদাং লৌখি : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচএনএস):

মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনবদা গোর্খাশিংসু মরু ওইবা থৌদাং লৌখি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কংলাতোংবীদা সহিদ সুবেদার নিরঞ্জন সিংহ ছেত্রিগী মীতম অমা মায়খুম হাংদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মীশিং য়ামদবা কাঙলুপ্পি হায়দুনা গোর্খাশিং পূক্নিং শোন্থবা তৌরোইদবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, অপীকপা ফুরুপ্পু মশীং য়াম্বা অমসুং অচৌবা ফুরুপ্পা নমথনবা হোৎনরকপদা লৈঙাক্না তূমীন্না খক লৈথোক্লোই। মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনবদা গোর্খাশিংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি হায়বা সুবেদার নিরঞ্জন সিংহ ছেত্রিগী ৱারীদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। থাঙ্গাল জেনরেল, চিরাই নাগা, মহারাজ গম্ভীর সিংহ অমদি মহারাজ নরসিংহনচিংবা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মীতম কয়া ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা শানবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ আদর কন্সট্রক্সন ৱর্করস ৱেলফেয়ের বোর্দকী চেয়রমেনসু ওইরিবা সেকমাই এ সীগী এম এল এ দিঙ্গো, খুরখুল জিল্লা পরিষদকী মেম্বর এ বিক্রম, কংলাতোংবী গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধাণ মিনা বিস্তা, ত্রিপুরা য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর ডা. গঙ্গা প্রসাই, ভারতিয়া গোর্খা পরিসঙ্ঘগী সেন্ট্রেল প্রসিদেন্ট সুখমান মোকতান, ভারতিয়া গোর্খা পরিসঙ্ঘগী সেন্ট্রেল জেনরেল সেক্রেটরি নিরমল পুন, ভারতিয়া গোর্খা পরিসঙ্ঘ, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ওক্সুমান বিস্তাসু শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা গনশ্যাম অচারিয়ানা ইবা 'সহিদ নিরঞ্জন সিংহ ছেত্রি, দি অন্সং হিরো ওফ এংলো-মণিপুর (খোংজোম) ৱার, ১৮৯১' অমসুং অজিত দাসনা ইবা 'সহিদ সুবেদার নিরঞ্জন ছেত্রি, ভারত ইমাগী অথৌবা মপারি' হায়না মিংথোনবা লাইরিক ফোঙখি।

লৈখিদ্রবা ইবোমচাগী লোয়নবী ইন্দিরানা সবষ্টিট্যুটেদ পিটিস্নর ওইগে...

লামায় ১গী মখা... সী ঐচব্রজবিধু, পিশুমথোং নিঙোম লৈরকনি।

ইলেক্সন পিটিসন অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎতুনা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চতা লিষ্ট তৌদুনা মসিগী ৱায়েল থেঙ্খাং নাইনা চথরক্লিবনি। অদুম ওইনমক কেস অসিগী পিটিস্নর ওইরম্বা এল ইবোমচা জন্যুৱারী ২৩, ২০২১দা খঙহৌদনা লৈখিদবনি। মসিগা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রার-১না থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পিটিস্নর লৈখিদ্রবনা মহাক্কী মহুত্তা কেস অসিগী রিপ্রজেন্টেসন ওফ দি পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ১১২গী মখাদা সবষ্টিট্যুটেদ পিটিস্নর ওইনীংবশিংনা কোর্ট অসিদা হায়রকপা য়াগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। মসিগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা এল ইবোমচাগী লোয়নবী য়েন্দ্রেম্বম ইন্দিরা (৬৬) মশামক্না ইলেক্সন পিটিসন অসিগী সবষ্টিট্যুটেদ পিটিস্নর ওইজগে হায়বা ৱাফম হায় কোর্টতা ফোঙদোরকখ্রে।

চথরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১১ ওফ ২০১৭ অসিগা মরী লৈনরিবা ৱাই ইন্দিরাগী মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) অদু ফেব্রুৱারী ২৭, ২০২১দা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌখিবনি। লোয়ননা কোর্টনসু মহাক্কী ৱাফম অসি মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১৩ ওফ ২০২১ ওইনা লৌখৎখ্রে। অদুগা মেট্রর অসিমক খন্ননবগীদমক হয়েং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১৬তা লিষ্ট তৌখ্রে।

হয়েং হায় কোর্টকী কোর্টনম্বর থ্রীনা মেট্রর অসিগী মতাংদা খন্নরকপদা ৱাই ইন্দিরাগী মায়কৈদা কাউন্সেল অসেম মোহেন্দ্রো, কাউন্সেল অজয় পেবম অমসুং কাউন্সেল এন অলেক্স মৈতৈনা লেপকদৌরি।

পনবা য়াবদি, লৈখিদ্রবা এক্স এম এল এ এল ইবোমচাগী লোয়নবীনা মহাকপু ইলেক্সন পিটিসন অসিগী সবষ্টিট্যুটেদ পিটিস্নর ওইজগে হায়জরকখিবা চেরোল অদুদা মহাকপু রিপ্রজেন্টেসন ওফ দি পিপলস এক্ট, ১৯৫০গী সেক্সন ১১২ (৩) গী মতুংইন্না পিটিস্নর ওইবদা অয়াবা পীবিনবা হায়জখি। লোয়ননা মহাক মশামকসু ১২-কৈশামথোং এ সীগী ভোটর অমনি হায়বগা লোয়ননা মপুরোয়বনা হিংলিঙৈদা মহাক্কী পুন্সিদা থোক্লিংবা থৌদোকশিং থোক্লবসু মহাক্কী অরোইবা অপান্বদি চথরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরকপনি হায়বা ৱাফমসু হায় কোর্টতা ফোঙদোরকখি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংবু ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিংগী এদমিনিষ্ট্রেটর ...

লামায় ১গী মখা... থোরক্তুনা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংবু ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিংগী এদমিনিষ্ট্রেটরশিং ওইনা হাপ্লে হায়রকখিবনি হায়রি।

ওল মণিপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং নগর পঞ্চায়ট ৱেলফেয়ের এসোসিএসনগী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা মরু ওইনা ফোঙদোকখিবদি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী স্পোন্সর স্কিমশিংগী মনুংদা টাইম বাউন্দ ওইরিবা ঐচ এফ এ (য়ু), এস বি এম, আই ঐচ ঐচ এল অমদি পি এম এস ভি আইধিনচিংবা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমশিং অসি মীয়ামগীদমক থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্নবগীদমক মতম লোইরে হায়দুনা দিজোল্ব তৌরবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিং অসিগী অনৌবা চেয়রপর্সন/ভাইস চেয়রপর্সন/কাউন্সিল্লরশিং ইলেক্সন তৌদুনা খনদ্রিবা ফাওবদি এক্স চেয়রপর্সনশিং অসিবু এদমিনিষ্ট্রেটরশিং ওইনা খনবীয়ু হায়খিবনি।

অনীশুবা রিপ্রজেন্টেসন অদুদনা অর্বান লোকল বোদিশিং অসিগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগুম নুংতিগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা য়ানবগীদমক এক্স চেয়রপর্সন/কাউন্সিল্লরশিংবু ক্যেরটেকরশিং ওইনা খনবীয়ু হায়জখিবনি হায়রি। অদুবু রিপ্রজেন্টেসন অনীসিগী ওন্ন-তৈনবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ককচীং অমসুং জিরিবামগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংবু ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিং অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটরশিং ওইনা খল্লে হায়বগা লোয়ননা মখোয়না থবক অসি ওর্দর থোকখিবা ফেব্রুৱারী ২০, ২০২১দগী পুবা হৌরগনি হায়দুনা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

তোঙান তোঙানবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিংগী এক্স চেয়রপর্সনশিংনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দব্লিয়ু পি (সিভিল) নম্বর ২১৭ ওফ ২০২১ ওইনা লৌখৎখ্রে। থা অসিগী ১দা ফাইল তৌখিবা সিভিল রিট পিটিসন অসি মথংগী নুমিৎ (থা অসিগী ২) তা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চ অমদা অহানবা ওইনা লৌখৎখ্রে। অদুবু কোর্টনা মেট্রর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী কাউন্সেলগী মায়কৈদগী টাইপোগ্রাফিকেল মিষ্টেক খরা য়াওখ্রে হায়বা ৱাফমদগী মসিবু রেটিফাই তৌনবা হায়জরকখি। কোর্টনসু ৱাফম অসিদা অয়াবা পীরদুনা মেট্রর অসি থা অসিগী ৫দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি। কোর্টনা মেট্রর অসি খন্ননবগীদমক লৌখৎলকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামোইজম ইবোতোম্বীনা লেপ্লগা মহাকপু এদভোকেট এ রোম্মেলনা এসিষ্ট তৌখি। পিটিস্নরগী কাউন্সেলনা সবমিট তৌরকপা ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কোর্টনা সিভিল রিট পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিশ ইস্যু তৌখি। লোয়ননা মসিগী পাউখুম চৎলিবা থা অসিগী ২২ ফাওবগী মনুংদা পীরক্লবসু দিরেক্সন পীখি।

সিভিল রিট পিটিসন অসিদা পিটিস্নর ওইরিবা এক্স চেয়রপর্সনশিংনা শমুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী লৈহাওথাবম নোনিবলা (৫৪) মপুরোয়বা এল কুঞ্জেশ্বর, শমুরৌ ময়ায় লৈকায়; থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী থোঙাম শ্যামো (৫৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ তোম্বী, থৌবাল অথোকপম; নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চীংঙাখম বসন্ত (৪১) অপোকপা লৈখিদ্রবা সী ঐচ ইবোবী; শুগ্নু ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মোইরাংথেম সরত (৫৩) অপোকপা এম নিলমনি, শুগ্নু ইরৈমা রোদ; ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী অসেম রাধামনি (৪৮) মপুরোয়বা এ নিংথৌবী, ময়াং ইম্ফাল চবুং কম্পেনি; লিলোং (ইম্ফাল ৱেষ্ট) ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী লমাবম লালমনি (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল শামুঙৌ, লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকায় মখা; সিখোং সেকমাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী সিনাম রোমা (৪২) মপুরোয়বা এস চীংলেন, নোংপোক সেকমাই মখা লৈকায়; হৈরোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী লাইশ্রম নুংশিসনা (৩৯) মপুরোয়বা এল মোহেনে, হৈরোক পার্ট টু কৈথেল; ৱাংজিং লমদিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী পেচিময়ুম রোনি (৪৪) মপুরোয়বা পি মেরা, ৱাংজিং; কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱাহেংবম প্রিয়োরঞ্জন (৪৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা দব্লিয়ু থোংলেন, কুম্বী ৱার্দ নম্বর টু; বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী লাইশ্রম মনিয়াইমা (৫১) অপোকপা এল ইবেনি, বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ১০; লিলোং (থৌবাল) ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱাহেংবম মিনাকুমারি (৪১) মপুরোয়বা দব্লিয়ু প্রেমানন্দ, অরাপতি লিলোং মপাল; ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী নোংথোম্বম ওংবী সনাহল (৬৩) মপুরোয়বা এন ইরাবোত, ওইনাম ৱার্দ নম্বর ৱান; জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এস শান্তি (৫৮) মপুরোয়বা শাগাপম কুমারধোন, জিরিবাম; ককচীং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী খুমুকচম লৈমা (৫৭) মপুরোয়বা কে ঐচ ইবোচৌবা, ককচীং; অন্দ্রো ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱা শাজৌখুমন (৪৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই ধর্ম্ম, অন্দ্রো অৱাং লৈকায়; সেকমাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী হৈক্রুজম আনন্দি (৪১) মপুরোয়বা ঐচ চুড়াচান্দ, সেকমাই ৱার্দ নম্বর ৮; লমশাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এ থাজ (৪৪) মপুরোয়বা এ রিসিকেস, লমশাং কৈথেল; ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মিনারজান (৩৪) মপুরোয়বা এম দি অনুৱর আলি, ক্বাক্তা মখা লৈকায়; য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এল কমলা (৫৯) মপুরোয়বা এল ইবোতোম্বী, য়াইরিপোক কেক্রুমথক লৈকায়; লমলাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী আর কে মেমী (৫০) মপুরোয়বা আর কে সনাতোম্বা, লমলাই অমসুং ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এন সঞ্জিৎকুমার (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন মঙ্গোল, ককচীং পাজি লৈকায়নি।

পিটিস্নরশিং অসিনা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (মাহুদ), দেপ্যুটি সেক্রেটরি (মাহুদ), ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন (লম্ফেল পাৎ) অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ককচীং অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর (দি সী) শিংনি।

সেক্স্যুএল টেররিজম মরূ ফুক্ত্রিবখৈ অৱাবগী মায়হিং...

লামায় ১গী মখা... 'নুপীগী নুমিৎ' পাঙথোকখি। মথংগী চহীদদি নুপীগী নুমিৎ অসি মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্লবগীদমক দেলিগেটশিংনা সোসলিষ্ট নুপীশিংগী অনীশুবা মালেমগী অচৌবা মীফম অমা কোপেনহেগেনদা পাঙথোকখি। নুপীবু ভোৎ পীবগী রাইট ফংহন্নবগী মতাংদা মালেমগী থাক্তা ঈহৌ চঙশিন্নবা ৱারেপ্লখি। ৱারেপ অদুবু তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৭তগী লাকপা নুপী ১০০ হেনবনা শরুক য়াখিবা অচৌবা মীফম অদুনা অয়াবা পীখি। কোপেনহেগেন ৱারেপকী মহয় ওইনা ওষ্ট্রিয়া, দেনমার্ক, জর্মনি, স্বিটজরলেন্দদা অহানবা ওইনা মালেমগী নুপীগী নুমিৎ থৌরম অসি মার্চ ১৯দা পাঙথোকখি। মখোয়না ভোৎ থাদবগী অমসুং লৈঙাক লোইশঙদা থবক তৌবগী রাইট তানবদা নত্তনা শিন্নী অমা ওইনা থবক শুনবা, শেনফম নাইনবা, ত্রেনিং ফংনবা অমসুং থবক ইনখাংশিং তৌবদা অচান মীরাই নাইবগী থৌওং লেপ্পবা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ১৯১৭তদি রসিয়াগী নুপীশিংনা মালেমগী অহানবা লাঞ্জাওগী মায়োক্তা ৱাকৎপদা নত্তনা 'তল অমসুং ঈং-চিকপা' পীয়ু হায়না ফেব্রুৱারীগী অরোইবা নোংমাইজিং হায়বদি মার্চ ৮দা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, নুমিৎ মরিনিগী মতুংদা রসিয়াগী জার ফম থাদোকখি অমসুং মতম খরগী ওইনা লিংখিবা লৈঙাকনা নুপীশিংবু ভোৎ থাদবা য়াহনবগী রাইট পীখি। মতম অদুদগী হৌরদুনা মালেমগী চাওখৎলবা অমসুং চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা পাঙথোকখিবা 'মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ'না নুপীশিংগী অনৌবা খোঙথাং অমা থাংবা হৌরকখ্রে। মতুং চহীশিংদদি নুমিৎ অসি মালেমগী থাক্তা শক খঙবা অমসুং থবক ওইনা পাঙথোকপা হেল্লকখি। তুংদা নুপীশিংবু খুন্নাইগী শেন্মীৎলোন অমসুং লৈশেমলোলগী খোঙথাংশিংদা শরুক য়াজনবগী রাইট ফংনবা চঙশিল্লিবা খোঙজংশিংদা শৌগৎনবা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৭৫বু য়ুনাইটেদ নেসন্সনা 'ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স য়র' হায়না লাউথোকখি। মালেমদা লৈরিবা নুপীশিংগী লূপশিং অমসুং লৈঙাকশিংনা মার্চ ৮দা 'মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ' হায়না চহী খুদিংগী চাং নাইনা পাঙথোকপা হৌখি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসিগী মালেমগী মীরোল অসিনা নুপীশিংনা পাল্লিবা মান্নবা থাক অমসুং মীখা থানা হিংলম্বা অদু লোইশিন্নবগী মরীদা নুপীশিংগী অমদি খুন্নাইগী ৱাখল মীৎয়েংদা অহোংবা উবা ফংলে। নুপীশিংগী মরমগীদমক থেংনরক্লিবা লানফম খুদিংমক মায় পাক্লে হায়বসি হৌগৎলক্লিবা অনৌবা মীরোলগী অয়াম্বা মীওইশিংনদি খঙবগুম তৌরে। অদুগা নুপানা খুল্লিংবা খুন্নাইগী হোংউ য়াদ্রবা মরূ-মরা লুনা তাদুনা লৈখ্রবা ৱাখল মীৎয়েং অদুসু ফেমিনিষ্ট অয়াম্বনা কুমজা ১৯৭০গী তাঙ্কক্তুগী হৌনা মুন্না খঙদুনা লাকখ্রে।

লম্বীদা দবল পার্ক তৌবা, গাড়ী য়ুংনা খাম্বনা মীয়ামগী...

লামায় ১গী মখা... কয়া খামজিল্লগা থম্বা অসিনা পিক অৱার মতমদা গাড়ী থৈদোক-থৈজিন তৌদুনা চৎনবা হোৎনবদা মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া তোয়না থেংনরি। গাড়ী খাল্লিবা কাঙবুশিংনসু ফৈনা খাম্বগী মহুত্তা য়ুংনা-য়ুংনা খাল্লগা থম্মী। মফম খরদনা অমুক দবল পার্ক তৌশিল্লগা থম্বদগী লম্বী চিনবা হেলহল্লি। ময়ায় লম্বীদগীনা খাগেম্পল্লি ফাওরগা ক্বাকৈথেল টিদ্দিম লম্বী তারিবা লম্বী অসি অয়াম্বা মতমদা গাড়ী য়াম্না চৎপা মরম্না অথু-অকায়গী থবক চৎথোক-চৎশিন তৌবদা কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্নরি। লম্বী অসি মতমগী মতুংইন্না খরা পাকথোকহনবা মথৌ তারে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরক্লি।

হায়ৱে নম্বর ১০২ ইম্ফাল বর্ম্মা রোদ অমদি ময়ায় লম্বীদগী লাকপা মীওইশিংনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট তম্না লাকপদা খ্বাইদগী শম্বা লম্বী অসি খাগেম্পল্লি অমদি ক্বাকৈথেল ফাওরগা চৎপা লম্বী অসিনা ওইরি। অদুবু টিদ্দিম লম্বীগী ক্বাকৈথেলগী ত্রাফিক আইলেন্দ অসি গাড়ী মচা অমদি অচৌবা চৎপগী ত্রাফিক ভোল্যুম নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা ত্রাফিক পুলিস অমনা কন্ত্রোল তৌবদা ৱানা থোক্লে। য়ামদ্রবদা ত্রাফিক পুলিস অনী নৎত্রগা অহুম্না লম্বী নাকল নাকলদা লৈরগা ঙাক শেন্দুনা কাঙলোন লান্না গাড়ী থৌনবা হোৎনরিবশিংবু কন্ত্রোল তৌবা য়াম্না মথৌ তারি।

ত্রাফিক্কী গ্রীন লাইট সিগনেল ঙাল্লবা মতুংদা লম্বী ক্রোস তৌদুনা চৎকদবা তারবসু ঙাইঙমদনা ত্রাফিক পুলিসনা মমায় হেক লৈথোকখিবগা গাড়ী থৌজিন্দুনা লাম্থোক্লবা হোৎনবা মীওইশিং য়াওদবা নত্তে। মসিদা নত্তনা ওইরোম থংবা নাকলদা লাকপা গাড়ীশিংনা লেফ্ট টর্নদা কোম্না চৎখিগদবা অদু মমাঙদা লৈবা গাড়ী মচা অমদি অচৌবশিংনা ফৈনা খামজিন্দুনা থম্বদগী গাড়ী থৌবা মীওইশিংগী মরক্তা উংখৎনবা অমদি খৎন-চৈনবগী থৌদোক কয়া থোক্তনবা পুলিস অমদি ত্রাফিক পুলিসনা য়াম্না কন্না হোৎনবগী মওং অমা উবা ফংলি।

গাড়ী থৌরিবশিংগী মরক্তসু ৱাখল তাদবা হায়গদ্রা নৎত্রগা খঙনা-খঙনা খঙশিন্নদবা শাদুনা লম্বীগী ওইরোম থংবা নাকলদা লাকপা গাড়ীশিং ইকোম কোম্না চৎহনখিবা য়ারবসু অরানবা মায়কৈদা খামজিনবা মরম্না লম্বী চিলহন্নবগী মরম ওইরি। মদুনা গাড়ী ময়াম পরেং শানা লৈবদগী ত্রাফিক্কী গ্রীন লাইট হেক থানবগা লম্বী লাম্থোক্লবা হোৎনবদা গাড়ীগী ক্যু কা হেন্না শাংবদগী ত্রাফিক্কী রেদ লাইট থানবনা হানখিবদগী লাম্থোকপা নংহৌদবদগী মথংগী টর্নদা অমুক ঙাইরগা লাম্থোকপা য়াওই। মরম অদুনা গাড়ী থৌরিবা মীওইশিংনা ত্রাফিক আইলেন্দ য়ৌরকপা মতমদা ওইরোম থংবা নাকলদা গাড়ীশিং লেফ্ট টর্নদা চৎপা য়ানবা মফম থম্বীগদবনি।

ত্রাফিক আইলেন্দ অনী অসিদা লম্বী ময়ায়দা ত্রাফিক পুলিসনা লৈরগা কন্ত্রোল তৌবদা নুংঙাইনবা আর সী সীগী ফীট অহুম রোম ৱাংবা সর্কল মচা অমমম থম্বীবা য়াম্না মথৌ তারি। ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনসু লম্বীদা গাড়ী অচৌবা, মচা থৌরিবশিং অমদি পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা গাড়ীশিং কাঙলোন চুম্না গাড়ী থৌহন্নবা অকনবা থবক লৌখৎহন্নীংই হায়না মীওই কয়ানা মোত পীনরক্লি।

ৱিটনেস অমগা এগজামিন তৌজখিগে ...

*লামায় ১গী মখা...*অমগা ওন্ন-তৈননা মেনশিনখি হায়বা ৱাফমশিং য়াওরিবনি।

মীখল অদুগী রিজল্ট লাউথোকপগা ইকান কান্নদনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী চথরক্লিবা ৱায়েলগী শরুক্তা হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস মরি ৱায়েল অসিগা মরী লৈননা এগজামিন তৌখিবগা লোয়ননা মখোয়গী ক্রোস এগজামিনেসন্নচিংবগী থবকশিং পাঙথোকপা লোইখ্রবনি। অদুম ওইনমক পিটিস্নর ৱাই ইরাবোতকী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১৪ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরক্তুনা হান্না এগজামিনেসন অমসুং ক্রোস এগজামিনেসন মপূং ফানা লোইশিনখ্রবা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস মরি অদুগী মথক্তা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা ওফিসল অমা ওইনা শরুক য়াখিবা মীওই অমবুসু ইনৌ নৌনা কেস অসিগী পি দব্লিয়ু অমা ওইনা কোনশিন্দুনা এগজামিন/ক্রোস এগজামিনেসন তৌজখিগে হায়না হায়জরকখিবনি।

পিটিস্নরগী ৱাফম অদু কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা রিজার্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা মসিগী ৱায়েল লাউথোক্লবগীদমক হয়েং কোর্ট অসিগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১দা লিষ্ট তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, চথরক্লিবা কেস অসিগী ৱায়েলদা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস নম্বর ৩ অমসুং ৪গী এগজামিনেসনননা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কউন্সেল এ মোহেন্দ্রো অমসুং কাউন্সেল অজয় পেবমনা ফেব্রুৱারী ১১ অমসুং ১২দা পাঙথোকখ্রবনি। অদুগা মখোয়বু রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৱান ওইরিবা এক্স এম এল এগী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজম অমসুং কউন্সেল আর কে মিলননা ক্রোস এগজামিনেসন তৌখ্রবনি। হায়রিবা থবকশিং অসি মপূং ফানা লোইশিনখিবদগী ইকোন কোন্না এগজামিন/ক্রোস এগজামিনেসন তৌখিবা পি দব্লিয়ু নম্বর ৩ অমসুং ৪গী ইভিদেন্সশিং লৌবগী থবকশিং ক্লোজ তৌশিনখিবগা লোয়ননা মখোয়বু কেস অসিদগী দিসচার্জ তৌখ্রবনি।

অমরোমদনা, ইলেক্সন পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইবগী মথক্তা দিফেন্স ৱিটনেস (দি দব্লিয়ু) নম্বর ১সু ওইরিবা ওক্রম হেনরিগী ইভিদেন্সশিং ফেব্রুৱারী ১৬ অমসুং ১৭তা লৌখিবগা লোয়ননা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংনা মহাকপু কোর্ট অসিদা ক্রোস এগজামিনেসনগী থবকশিংসু মপূং ফানা পাঙথোক্তুনা লোইশিনখ্রবনি।

মণিপুর ষ্টেট পাৱর কম্পনি লিমিটেড, ইম্ফাল

পব্লিক নোটিস

মতাঙনা

শেনবা চহী ২০২১ - ২২ গীদমক জোইন্ট ইলক্ট্রিসিটি রেগুলেতরি কম্মিসন মণিপুর এন্ড মিজোরামগী মফমদা এম এস পি সি এলনা ফাইল তৌখিবা এগ্রীগেট রেভেন্যু রিক্বায়রমেন্ট অমসুং টারিফ পেটিসন

১. দিষ্ট্রিব্যুসন লাইসেন্সিনা মখা তানা শিজিন্নবগীদমক ষ্টেটকী মনুংদা পাৱর ত্রান্সমিসনগী থবক তৌরিবা দিম লাইসেন্সি ওইরিবা এম এস পি সি এলনা ইলেক্ট্রিসিতি এক্ট, ২০০৩ গী সেক্সন ৬২ অমসুং জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম (এম ৱাই তি) রেগুলেসন, ২০১৪ গী মখাদা শেনবা চহী ২০২১ – ২২ গী দমক ষ্টেটকী মনুংদা মৈ ত্রান্সমিসন তৌনবা এগ্রীগেট রেভেন্যু রিক্বায়রমেন্ট অমসু তারিফ এপ্লিকেসন অদু জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম, আইজোলনা ফাইল তৌখ্রে হায়না কঞ্জুমর অমসুং ষ্টেক হোল্ডর পুম্নমক্কী মফমদা খঙহল্লি।

কম্মিসন্না এম এস পি সি এলগী পেটিসন প্রোভিসনেল্লি এদমিট তৌরে অমসুং পেটিসন নম্বর ২ ওফ ২০২১ হায়না রেজিষ্টর তৌরে। শেনবা চহী ২০২১ – ২২ গী এ আর আরগী শন্নকপা অদু মখাগী টেবলসিদা পীজরি।

(লুপা কোতি)

সে নং	অকুপ্পা মরোলশিং	শেনবা চহী ২০২১-২২ (১২-০৩-২০১৮ এম ৱাই তী ওদর দা এপ্রুভ তৌরবা)	শেনবা চহী ২০২১-২২ (প্রোপোজড)
১	আর এন্ড এম খরচ	২৭.৭৯	১০.৫৬
২	এমপ্লোয়ি খরচ	৭৭.৪৬	৮৭.৭১
৩	এডমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং জেনরেল খরচ	৫.৩০	৬.০০
৪	দিপ্রিসিএসন	১.৬৯	১.৪৪
৫	লোন্দা ইন্ট্রেষ্ট	-	-
৬	রিতর্ন ওন ইকুইটি	১.৫৬	১.৮৩
৭	ৱার্কিং কেপিটেলগী ইন্ট্রেষ্ট	৬.৭৯	৫.০০
৮	ইনকম টেক্স	০.৪০	০.০০
	গ্রোস এ আর আর এমাউন্ট	**১২০.৯৯**	**১১২.৫৪**
৯	লেস: নন টারিফ ইনকম	৮.৬৮	১০.৬০
১০	লেস: এক্সপেন্সেস কেপিটেলাইজড	৫.৬৪	০.০০
	নেট এ আর আর	**১০৬.৬৭**	**১০১.৯৪**

জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম (এম ৱাই তি) রেগুলেসন, ২০১৪ গী মতুং ইন্না এম এস পি সি এলগী অপুনবা ত্রান্সমিসন কেপসিতিদা লৌরিবা ত্রান্সমিসন কেপসিতিগী সেয়রদা য়ুম্ফম ওইদুনা লোং তার্ম ত্রান্সমিসন কষ্টরমশিংদগী থাগী ফিক্স চার্জ ওইনা ত্রান্সমিসন এ আর আর অসি লৌখৎকনি।

হৌজিকমক্তা ওইনদি এম এস পি সি এলদা লোং তার্ম ত্রান্সমিসন কষ্টমর অমখক লৈরি, হায়রিবা অসি দিষ্ট্রিব্যুসন লাইসেন্সিনি, মদুদি এম এস পি দি সি এল হায়রিবা অসিনি। মরম অসিনা এম এস পি সি এলনা এম এস পি দি সি এলদগী থাগী ফিক্স চার্জ ওইনা অপুনবা ত্রান্সমিসন এ আর আর লৌখৎপগী অকুপ্পা মরোল মখাদা পীজরি।

শেনবা চহী ২০২১ -২২ গী প্রোপোজড ত্রান্সমিসন টারিফ

সে নং	অকুপা মরোল শিং	একজিষ্টিং শেনবা চহী ২০২০-২১	প্রোপোজড শেনবা চহী ২০২১-২২
১	রিকোভর তৌগদবা ত্রান্সমিসন এ আর আর (করিগুমবা এভাইলেবিলিতি অদু ৯৮% নোর্মেতিভ এভাইলেবিলিতিগা মান্নবা নৎত্রগা হেনবা মতমদা)	লুপা ৭৭.০১ কোতি	লুপা ১০১.৯৩ কোতি
২	এম এস পি দি সি এলনা পীগদবা থাগী ত্রান্সমিসন টারিফ (থা খুদিংগী লুপা লাখ)	থা খুদিংগী লুপা লাখ ৬৪১.৭৫	থা খুদিংগী লুপা লাখ ৮৪৯.৪৪
৩	এম এস পি দি সি এলগী এভরেজ ত্রান্সমিসন কেপাসিতি (মেগা ৱাট)	মেগা ৱাট ২৫৬	মেগা ৱাট ২৮০
৪	লোং তার্ম ত্রান্সমিসন য়ুজরশিংগীদমক মেগা ৱাট অমগী কন্ত্রেক্টেড কেপাসিটিগী থা অমগী ত্রান্সমিসন টারিফ (লুপা লাখ)	মেগা ৱাট অমগী কন্ত্রেক্টেড কেপাসিটিগী থা অমগী লুপা লাখ ২.৫০	মেগা ৱাট অমগী কন্ত্রেক্টেড কেপাসিটিগী থা অমগী লুপা লাখ ৩.০৩

২. এম এস পি সি এলনা প্রোজেক তৌবা ত্রান্সমিসন লোস – **৮.৫০%**

৩. মথক্কী পেরা-১ দা পব্লিবা ফাইলিঙ অমসুং এপ্লিকেসনগী কোপিশিং **মেনেজিং দিরেক্তর, এম এস পি সি এল, ইম্ফাল, মণিপুর** ওফিসতা ফংবিগনি।

৪. থরায় য়াওবশিংনা মথক্তা পব্লিবা ওফিস অসিদা ওফিস আরর মতমদা হায়রিবা এ আর আর অমসুং টারিফ প্রোপোজেলশিং পৈশা চঙদনা য়েংবা অমদি নোট লৌবিবা য়াগনি।

৫. পেটিসন খুদিংগী লুপা ৫০ শেল ওইনা নৎত্রগা দি দিগী খুথাংদা পীরবা মতুংদা মথক্তা হায়রিবা দোক্যুমেন্টশিংসি মথক্তা পব্লিবা ওফিসসিদগী লৌবা য়াগনি।

৬. এম এস পি সি এলনা পীশিনবা এ আর আর ফাইলিং অমসুং টারিফ প্রোপোজেলশিংগী মতাংদা য়ানিংদবা নৎত্রপা হোংদোকপিনিংবা লৈরবদি সপ্পোর্টিং মেটরিয়েলগা লোয়ননা **সেক্রেতরি, জে ই আর সি এম এন্দ এম, আইজোল, তি বি এল ভবন, ২-শুবা ফ্লোর, ই-১৮, পিটর ষ্ট্রিট, খৎলা, আইজোলদাকোপি মঙা** তাং ২৩/০৩/২০২১ ফাওবগী মনুংদা হকথেংন্না খুৎশিনবা নৎত্রগা রেজিস্তর্দ পোষ্টকী খুথাংদা য়ৌহনবিগদবনি।

৭. **য়ানিংদবা নৎত্রগা হোংদোকপিনিংবা** অদু **কোপি মঙা** থোক্না পীশিনগদবনি অমসুং মপুং ফাবা মমীং অমসুং পোষ্টেল এড্রেসকা লোয়ন্না নিংথিনা এত্তেষ্ট তৌবা এফিদেবিট অমা য়াওহনগদবনি। ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা কঞ্জুমর ক্লাস অমা হেক্তগী মায়কৈদগী ফাইল তৌবা ওইরবদি মদু পনগদবনি। ওবজেক্সন অমসুং কমেন্টশিং পীরিবা মীদুনা পব্লিক হিয়ারিংদা মশামক লাক্তুনা য়াওবা অমসুং মশামক্কী ৱাফম তাহন্নীংবা পাম্বা অদুসু মরিক চুন্না পনগদবনি।

৮. মসিগী নোটিস অসিগী পাউখুম ওইনা পীশিল্লকপা অইবা ওবজেক্সন অদু জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এমনা য়েংশিল্লবা মতুংদা অথন্নবা তারিখ অমদা হিয়ারিংগীদমক ওবজেক্তর অদু কৌরকপা য়াই, মসিগী তারিখ অসি কম্মিসন্না মতমগী মতুংইন্না খঙহনগনি।

মেনেজিং দিরেক্তর
এম এস পি সি এল
ইম্ফাল, মণিপুর

HL-B/6837/7&8

KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE
KINGDOM
Govt. Regd.No. 422 of 2020
AVIATION COURSE
SPOKEN HINDI
SPOKEN ENGLISH
COMPUTER (NIELIT)
STOCK MARKET
ADMISSION OPENS
FOR ALL COURSES NOW
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 21 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES AS A TRAINER (SPONSORED BY UGC)

#7005622203, 6009124946

ONLY AVIATION COURSE STARTS FROM 8TH MARCH 2021
Aviation Staff
H. NANDITA DEVI
BBA(h) Tourism & Hospitality Management,
Ex Cabin Crew Kingfisher - 4 yrs.
Qatar Airways - 3 yrs
RAKESH N.
Mr. Reso King Manipur 2011.
Resecaaal Manhunt Manipur 2014.
Fair & Lovely Mega Mr. North East 2015.
Rubaru Mr. India 2018 Best Ramp walk
K. BIDYARANI DEVI
Air India Sats - 3 yrs, Bangalore
Indigo Airline, Imphal Airport since 2017 till date
S. KANCHAN CHANU
Miss G.P. Women's College 2014,
Manfete Queen 2015 - 1st Runner Up
Miss Ougri Photogenic 2015,
Miss Manipur Queen 2017,
Miss India Manipur 2017
Computer Courses :
100% Job Placement Assistance
Tally GST, CCC, CCP, C/C++, DTP, DCA (3/6 mths.), etc
Address: IIIT Building, Old Lambulane Opp. G.P. Women's College Main Gate
Keishampat Kangabam Leirak behind Bheigo Hotel (below Apex)

HL-B/6053/8, 9 feb. to 15 March